HUEIYEN LANPAO

১৬শুবা মোন্সাং স্পোর্টস মীট ২০২৪

প্রি ভেটরান অমসুং অন্দর-১৪ বোইজকী ওইনা সরৈ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মোন্সাং স্পোর্টিং এসোসিএসন (এম ও এস এ)না শীন্দুনা চান্দেলগী লিৱা সরৈ ফুটবোল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৬রক শুবা মোন্সাং স্পোর্টস মীট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অন্দর-১৪ বোইজ অমসুং প্রি ভেটরানগী সেমীফাইনেল মেটচশিংদা সরৈ মায় পাক্লুনা ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা ৱিমেন ওপনগীদনা চংনেনা মিলেনবু মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী হৌরগা অন্দর-১৪ বোইজকী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা সরৈ অমসুং মিলেনগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩০ শুবা মিনটতা সরৈগী জর্সি নম্বর ২১ গুদফাঙমনা মিলেনগী মায়োক্তা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সরৈনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী অমনা অমগী মায়োক্তা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্লখিদে। মিলেনগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মেটচ লোইবা ফাওবা ঙমখিদবদগী টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সরৈনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্লুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, প্রি ভেটরানগী ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা মিলেন অমসুং সরৈগী মরক্তা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ শান্নখি। মেটচ অসিগী ওইনসু টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। পাঞ্জলশিং অদু মিলেনগী ওইনা ২৮শুবা মিনটতা হোলিসননা অদুগা সরৈগীনা ৬৬ শুবা মিনটতা পার্চুংনা চনখিবনি। রেফরিনা তুংদা পেনাল্টি কাওননবা খঙহনখি। মদুদা সরৈগী ওইনা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি অদুগা মিলেননা পাঞ্জল ২দগী হেন্না চনবা ঙমহৌদবদগী মেটচ অদু সরৈনা পাঞ্জল ৫-৩দা মায় পাক্লুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা, ৱিমেন ওপনগী ওইনা ঙসি মিলেন অমসুং চংনেগী মরক্তা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদগী হৌরগা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা চংনেগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচ লোইবা ফাওবদা চংনেনা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মিলেনগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু চংনেনা পাঞ্জল ৩-০দা লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি। চংনেগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪৮, ৫৭ অমসুং ৬০ শুবা মিনটতা মথংশিংনা অনিটিন, অনুঙম অমসুং মেরিলিননা চনখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন : বোপানা অমসুং ইবদেনগী পুংবা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ওইনা মেন্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথিয়ু ইবদেনগী পুংবানা চাইনিজ অমসুং চেককী পুংবা ঝাং জিং জেং অমসুং টোমাস মেকহেকপু ৬-৩, ৩-৬, ৭-৬(১০-৭)তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি মেন্স দবলসকী ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখি। অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়নগী পুংবা অসিনা চাইনিজ অমসুং চেককী পুংবাবু লাকচনা শান্নদুনা অহানবা সেট অদু থোইখি। অদুমওইনমক অনীশুবা সেটকী ওইনা শান্নখিবদা চাইনিজ অমসুং চেককী পুংবানা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমদুনা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী পুংবাবু মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা সেটকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা নাকল অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। খূদক্তা অমনা অমবু মায়থীবা পীবা ঙম্লখিদে। অরোইবা সেট অদু দিয়ুসতা মতম কুইনা শান্নরবা মতুং বোপানা অমসুং ইবদেনগী পুংবানা ৭-৬(১০-৭)তা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ওইনা রোদ লাভর এরেনাদা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা ক্যু জেং অমসুং দি য়াসষ্ট্রেপকাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ক্যু জেংনা য়াসষ্ট্রেমকাবু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙখ্রে।

অতোপ্পা সেমীফাইনেল মেটচ অমদনা এরিনা সবালেনকানা কোকো গোফপু ৭-৬ (৭-২), ৬-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। থা অসিগী ২৭তা সবালেনকা অমসুং ক্যু জেংগী মরক্তা ফাইনেল শান্নগনি।

অমরোমদা, মেন্স দবলসকী ওইনা এ ভাভাসোরি অমসুং এস বোলেরিগী পুংবাগা ৱাই হেনমেন অমসুং দি কোফরগী পুংবাবু সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ভাভাসোরি অমসুং বোলেরিগী পুংবানা হেনমেন অমসুং কোফরগী পুংবাবু ৬-৩, ৩-৬, ৭-৬ (১০-৫)দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

থা অসিগী ২৭তা রোহন বোপানা অমসুং মেথিয়ু ইবদেনগী পুংবাগা এস বোলেরি অমসুং এ ভাভাসোরিগী পুংবাগা রোদ লভর এরেনাদা ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

ৱিমেন্স দবলসকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অমদা এস হিসি অমসুং ঈ মর্টেন্সকী পুংবানা এস হন্টর অমসুং কে সিনিয়াকোভাগী পুংবাবু ৭-৫, ১-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। হয়েং ৱিমেন্স দবলসকী ওইনা জে ওষ্টাপেনকো অমসুং এল কিচেনোভকী পুংবাগা ঈ রোটলিফ অমসুং জি দাব্রোস্কিগী পুংবাগা মার্গরেট কোর্ট এরেনাদা সেমীফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

'বোক্সিংদগী পোত্থারগনি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংদা ফোঙদোক্লরকখিবা অরানবনি'

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী): ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা লন্দন ওলিম্পিক্স ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমসু ওইরিবা বোক্সর এম সী মেরি কোমনা মহাক বোক্সিং মশান্নদগী পোত্থারগনি হায়না মীদিয়াদা ফোঙলকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মহাক হৌজিকমক্কী ওইনা পোত্থানবা ফিরেপ লৌবা লৈতে হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঐনা বোক্সিংদগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকপা লৈতে। ঙরাং দিব্রুগরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু লান্না ৱাহন্থোক পীখিবনি। করিগুম্বা ঐনা বোক্সিং মশান্নদগী পোত্থানিংলবদি মীদিয়াদা থোক্লক্তুনা লাউথোক্কনি।

থা অসিগী ২৪দা দিব্রুগরগী স্কুল অমদা পাঙথোকখিবা মোটিভেসনেল প্রোগ্রাম অমদা মহাক্না অঙাংশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা ঐনা হৌজিকসু মিংচৎ কয়া পুরক্লবগী খৌরাংলি। অদুবু শান্নবা হায়বসিদদি চহীগী ওইবা লিমিট লৈবনা ওলিম্পিক্সতা মহাক য়াওবা য়াবগী অয়াবা লৈত্রে। অদুবু ফিল্ড অসিদা মহাক মখা তানা কন্না হোৎনখিগনি অমদি হকচাং ফনা লৈহনখিগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুবু মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু লান্না ৱাহন্থোক পীদুনা মহাক বোক্সিংদগী পোত্থারগনি হায়খিবা অদু অরানবনি।

মণিপুরনা গোল্ড মঙা লৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড ওল স্পোর্টস গেমস ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২১দগী হৌরগা ২৩ ফাওবা গুৱাহাটিগী কটন য়ুনিভর্সিটি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৪রক শুবা ইন্টরনেসনল গেমস ২০২৪দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা পূন্না গোল্ড মেদল ৫ লৌবা ঙমখ্রে।

গোল্ড মেদল লৌখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি মাষ্টর এথলিট গেমসকী ইভেন্টতা বেদমিন্টনগী ওইনা প্রভিন মাইস্নামনা দবল অমদি সিঙ্গলস মেটচতা মথংশিংনা স্রি লঙ্কা অমসুং নেপালবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড অনী লৌখি।

টাইক্বোন্দো পুমসে/ফাইট মশান্নদা লোংজম মঙালসনা মৈতৈনা স্রি লঙ্কাগী প্রকাশ ভিনিটপু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড অনী অদুগা হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ওইনা টি সুনিলনা বাংলাদেশকী সাহু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড অমা লৌবা ঙমখি।

ইন্টরনেসনল গেমস ২০২৪দা ইন্দোর অমসুং আউটদোর গেমসকী মশান্নশিংদা ইন্দিয়ানা পূন্না গোল্ড মেদল ২৫, সিলভর ৩০ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ লৌদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা স্রি লঙ্কানা গোল্ড ১৫, সিলভর ২০ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ অদুগা নেপালনা গোল্ড ১০, সিলভর ২০, ব্রোঞ্জ ৭ লৌদুনা ২শুবা অমসুং ৩শুবা তাখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

এফ আই ঐচ হোক্কী ৫ এস ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ

ইন্দিয়ানা নামিবিয়া থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

মস্কেট, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী): ওমাননা য়ূম্বু ওইদুনা হৌজিক পাঙথোক্লিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ৫ এস ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা পূল সীগী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা নামিবিয়াবু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীরল্লগা গ্রুপ সীগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি নামিবিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। নামিবিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবশিং ইন্দিয়াগী টিমনা পীখিদে। মেটচ অসিগী ওইনা অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী ভাইস কেপ্টেন মহিমা চৌধরিনা নামিবিয়াগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা ৪শুবা মিনটতা দিপিকা সোরেংনা পাঞ্জল অমগা অমুক চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাখি।

নামিবিয়ানা মখোয়গী অহানবা পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ১৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু জিবনকা ক্রুগরনা চনখিবনি। অদুবু পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ১৯ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মহিমা চৌধরিনা অমুক হন্দোকপা ঙমখি। ২২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী রুটাজা দাদাসো পিসালনা পাঞ্জল অমা, ২৩, ২৬ অমসুং ২৮ শুবা মিনটতা অক্সাতা অবাসো ধেকালে, দিপিকা সোরেং অমসুং অজমিনা কুজুরনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অদুগা ৩০শুবা মিনটতা নামিবিয়াগী এন্থিয়া কোটজিনা মখোয়গী ২শুবা পাঞ্জল চনখিবনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌনগনি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 10/SDC/IE/SLG/2024

Parties : Gurumayum Bonajit Sharma, S/o (L) Kumar Sharma of Wangkhei Thangapat Mapal

-Versus-

Opposite : Late Shamurailatpam (N) Gurumayum (O) Keinahanbi Devi, W/o (L) Ibotombi Sharma of Wangkhei Thangapat Mapal

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sagolmang, 25th of January, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: খুল নং ২২/কৈবী খুলেন পাট্টা নং ১৫৮ অরিবা ২৭৬/২৮৪ অনৌবা, দাগ নং ২৫২/৩৪৫ এরিয়া ১.২৫ একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মথক্তা পীরিবা দংকারি মৃতু পাট্টাদারগী মশুনিপা অসিনা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবদগী নুমিৎ (৭) তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরনবা খঙহল্লি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

HL-P/9365/26

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA

Ref :- Mutation Case No. 01/SDC/ICH of 2024

1. Tayenjam Doren Singh, S/o Chandramani Singh of Leishangthem Wangmataba.
2. Tayenjam Ibomcha Singh, S/o -do- of -do-
3. Tayenjam Rabi Singh, S/o (L) Tomba Singh of Leishangthem Wangmataba
4. Tayenjam Jiten Singh, S/o (L) Muhon Singh of Leishangthem Wangmataba
5. Tayenjam Sharatkumar Singh, S/o (L) Mohon Singh of Leishangthem Wangmataba

-Vs-

1. (Late) Tayenjam Ibomcha Singh, S/o Tomba Singh of Leishangthem.
2. (Late) Tayenjam Kulla Singh, S/o (L) Lota Singh of -do-
3. (Late) Tayenjam Mohon Singh, S/o (L) Tombi Singh of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Irong Chesaba the 25th January, 2024

Under Section 46 (3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি অরিবা পাট্টা নং: ৩, অনৌবা পাট্টা নং: ৩০, দখল তৌরিবা দাগ নং: ৫৬, এরিয়া .৭৯৮৬ হেক্টর, ইখোল, রেভিন্যু ভিলেজ নং: ৮-লৈশাংথেমগী পাট্টাদারশিং অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা এপ্লিকান্ট ১ (অমা) অমসুং ২ (অনী)দা নোংপোক্তা .১৬৫৩ হেক্টর খাক্লল্লগা হেক তাইনবদা .২৩৩৫ হেক্টর, ৩ (অহুম)দা খা-নোংচুপ কাচিন্দা .০৬২৭ হেক্টর, ৪ (মরি)দা দাগকী খা থংবা শরুক্কী ময়াইদা .১২৯৫ হেক্টর অমসুং অৱাং-নোংচুপ কাচিন্দা .০৬২৭ হেক্টর, অপূনবা .১৯২২ হেক্টর অদুগা ৫(মঙা)দা দাগকী অৱাং থংবা শরুক্কী ময়াইদা .১৪৪৯ হেক্টর অসি পাট্টা নামা ওনশিঞ্জরগে হায়দুনা SDC/ICH গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারকপগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/ICH গী কোর্টতা লাক্লুনা অইবা চেনা য়েৎপীরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চত্থরগনি। তুংদা লাকপা য়েৎলরবা খূদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- BC to SDC,
Irong Chesaba

HL-P/9368/26

১১রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

য়ু সী সী (ব্লু) উরিপোকনা ৱাই য়ু সী সী মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে

VENEUE : LANGTHABAL PUBLIC GROUND, IMPHAL
January to 15th February

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) ইম্ফালনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১১রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু সী সী (ব্লু) উরিপোকনা ৱাই য়ু সী সী মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট ৬তা লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই য়ু সী সী মোইরাংপুরেলনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই য়ু সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা এম দি নাওসাদ অমসুং টি ঐচ সন্তোশনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। এম দি নাওসাদতি বোল ১১ মায়োক্লবদা রন ৪ খক লৌরল্লগা আউট ওইখি। অদুগা অতোপ্পা বেটসমেন সন্তোশনা বোল ১৭ মায়োক্লবদা রন ১৫ লৌরগা আউট ওইখি। মখোয় অনীগী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন ঐচ সুনিল অমসুং পি বিদিসননা হোৎনদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা শান্নখি। সুনিলনা বোল ৩৪ মায়োক্লবদা রন ২৪ অদুগা বিদিসননা বোল ১৭ মায়োক্লবদা রন ১২ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন তোম্বনা বোল ১৫দা রন ১৪ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা রন ৫ ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ১৯.৩ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৮৫ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, য়ু সী সী (ব্লু)না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বিশ্বরজিৎ অমসুং এস ব্রোজেননা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ব্রোজেন বোল ৬ মায়োক য়াবদা রন ১০ লৌরগা আউট ওইখি। বিশ্বরজিৎনা বোল ২১ মায়োক য়াবদা রন ২৩ লৌরমখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেনশিংনসু চাংচৎতা শান্নবা ঙমখিবদগী মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। বেটসমেন হেমজিৎনা বোল ২১ মায়োক্লবদা রন ১৮ অদুগা রাজেশনা বোল ১২দা রন ২৯ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ১০.৫ য়ৌরকপদা য়ু সী সী (ব্লু)গী ৱিকেট ৪ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্লুনা পূন্না রন ৯১ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু য়ু সী সী (ব্লু)না ৱিকেট ৬তা মায় পাকখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা য়ু সী সী (ব্লু)গী রাজেশনা তাখি।

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'

মীহুৎ খনবদা চেকশিল্লসি

(৪০৪)

মীওইবা খূদিং তাইবংদা খোঙদারকপা মতমদা থৌদাং অমমম্ পাঙনবা লাকপা ঙাক্তনি। মীওই কয়ানা শেন্দোংগীদমক লল্লোন ইতিক তৌনৈ। মীওইবনা হিংলিবমখৈ শেন্দোংগী কোইথি থিনবা ঙাক্তনি। অসুম্না শেন্দোং য়াম্না তাল্লবা মতুংদা অচৌবা অরোইবা শেন্দোং ফংনবা হোৎনরকপদা মমৈদা পোলিটিক্সতা খোঙদারকপা হৌরকই। পোলিটিক্স তৌবা খূদিং মায়ওন অমমম্ লৈ। অহানবদা মীয়ামদা মায় ওনশিনবা মীয়ামগী লুচিংবা, মখোয়দি থম্মোয় য়াম্না শেংই, মীয়ামগীদমক খন্না থৱায় ফাওবা কত্থোকপা ঙম্মী। অমনা মীয়াম্না খনবা য়াম্না মালহনবা মান্না-মান্না মীয়ামদগী মমায়দি লৈথোক্লুনা লৈবা লুচিংবা মখল অমা। মখোয় অসি মতৌদি য়াম্না মানগনি অদুগা নুংদা মীয়ামগী মাঙনবা ঙাক্তা ওইগনি। অসুম্না লুচিংবদা মমায় অনী শুগনি। মীয়ামদা মমায় ওনশিনবা লুচিংবসি য়াম্না তাঙগনি। মশীং থীবা য়াগনি। অদুগা মীয়ামদগী মমায় লৈথোকপা লুচিংবদি মশীং থীবা ঙল্লোই। করিগুম্বদা মীখল হেক য়ৌরকপদা মীরেপ মশীং খঙলোই। মাগী-মাগী অনীংবা অপাম্বা কয়ানা মাংদা থাদুনা কেন্দিদেট ওইনবা চোংথোক্লরক্কনি। মসি মখাগী লোকেলগী মীখলদগী অচৌবা মীখল ফাওবগী চৎনবীনি। শেন্দোং খ্বাইদগী ফংবা শেন্দোংনা কোইতান তান্নরকপা অসি মীখল মায় পাকপনি। মীখলদা মায় পাকপা অসিদি ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা শেন্দোং ফংলিবনি। অতৈ লল্লোনবদি ইশা ৱাবা অমদি ঙক য়োন্দ্রবদি ফংবা য়াদবা শেন্দোংনি। করিগুম্বা লাইবক থীরগা জেলগী হৱাই চাবা শেন্দোং তানবগী থৌওংনি। মসিদা খনবা য়ারিবদি অফবা লুচিংবা পূকচেল শেংনা মীয়ামগী খনবা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবা খূদিং ঐখোয় মীয়ামগী খূৎতা লৈরিবনি। মরম অসিনা দেমোক্রেসিবু খ্বাইদগী ফবা লৈবাক শেম্বগী মচাক অমনি হায়রিবনি। মীয়াম ৱাখল তারবা লৈবাক অমদি লমদম, ইস্যু খূদিং মমুৎ তানা ফজনা খঙলবদি দেমোক্রেসিদগী হেন্না ফবা লৈবাক ঙাক্লোন লৈতে। অদুবু ইস্যু মশক খঙদবা মশাগী মমলবু শুপ্লগী শেল খরগা ওন্নবা য়াবা মীওইশিংগী মফমদদি অফবা মীহুৎ খনবা ঙমদে। মরম অদুনা দেমোক্রেসিগী মশক মাঙই। পূকচেল শেংবা লুচিংবা খনবা ঙমদবনা ফত্তবা অমোৎপা লৈঙাক লৈবা মশানা তারকই। অসিগুম্বা মতম অসিগী লৈঙাক অমা লৈবগী মথৌ অসি ৱাখল তাদ্রিবা মীয়াম অমগীদি অফবা দিক্টেটর অমনা হেন্না ফবসু লৈতবা নত্তে। ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবা অসি মীহুৎ খনবনি। মসিদবু অচা-অথক অমদি ইশাগী রাইটপু শেলগা ওন্নথোকখ্রবা অফবা লৈবাক্তি শুংওই ওইররোই। তুংগী ওইবা অফবা লমদম অমা ওইনবগী ঐখোয় ইশাগী ফংফম থোকপা রাইট মাঙদনবা শেলগা ইশাগী রাইটকা শিন্নথোকপসি তোক্লুনা অফবা মতিং লৈবা মীহুৎ খনবগী হৈনবী থম্নবা হোৎনবা অসি তঙাইফদে। অয়াম্বা মীওইনা লৈবাক্কী ইস্যু খঙদবগুম তৌই। মাংদা তারিবা ইস্যুগী খন্না ইস্যু লোইশিনবা ঙম্বা মতিং লৈবা মীহুৎ খনবা য়াম্নমক মথৌ তারকই। ঙসিগী ঐখোয় মীয়াম্না অৱাবা নংলিবা মীশি-মীনা কয়া থোক্লিবা অসি মতিং লৈবা নুংশিবা য়াওদবগী অৱাবা মায়োক্লবনি। অদুনা মীখলগী মতমদা শেলগী অমদি থকপা-চাবগী কুম্মৈনি খন্দবা মচঙ ওইবা লুচিংবা খনবগী হৈনবী থল্লসি।

অদোমগী - এম থম্বৌ,
ককচীং খুনৌ হিজম, # ৮১১৯৯৯৯০৪০

শীন্থা লোইরে খনগনু

(৪০৫)

অথৌবশিং, অঙম-অথৌশিং শরি ৱাশক্লখ্রবসু শীন্থাদি লোইখিরোই। য়েক্লবা মাংদা লেপ্পী। লাল্লোং য়াৎলি, য়ারিবমখৈ চেকশিনবা মথৌ তাই, কোমথোকপীগনু মখোয়দি খোই থীৎপা ওইরিনি। কল্লক মীহৌবদগী শিবা মাঙবা য়েংলক্লোই, শিখিবনা মাঙজবা নত্তনা কান্নদে। য়ারিবমখৈ চেকশিনবা, শোয়দবা ওইবীয়ু। অঙম্বশিংগী শরি ৱাশকসু হিংচাবীগী শরিগুম তৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। হৌজিক্তি নখোয় পূকচেল খোইজেল মান্ননা পম্লুং য়ৌদবা য়াদেকো ইচাশা। মান্নগনিসু খল্লি, মান্নফমসু থোকই মরমদি থবকসি অমত্তনি। অদুগা কংলা উত্রাদা লেঙশিন্নবগীদমক লেঙবীরকপদা সনা সোরোক য়াঙবী থক্তা থৌরক্লিবা গাড়ী ময়ামদো কনাদসু য়েৎতনা অমনা অমগী তুংইন্না অচৎ-অওক অমত্তদা অকায়বা-অয়েৎপা পীদনা লেং নাইনা পরেং শানা লাকপদো কয়াদা ফজখ্রে, মীৎফম হোংবা ঙম্নদে। মদুমক্কী মহয়না তুং কোইনা অমগা-অমগা পাউ ফাওনরগা অমত্তা ওইবগী শীন্থা পাঙথোকপীরকউ, পুম্নমক্লসু তমজ হৌবা ওইহৌনবা, ফত্তবা ৱাখল, নাপল য়াওবীগনু। মীনা য়াদবসে মপূনসু য়াদবনি, হরাউবগী মীৎকুপ লাল্লবসু খরা ৱাৎনা লিক্লা তৌবীয়ু। কা-হেন্না মথোই নাপল কারুরবদি মপূনা অমুক চৈরাক পীরক্কনি। কিনা লুক্লা শীন্থাদুদং পাঙলবদি মপূনসু তেংবাংবীগনি। মপূগী তেংবাং য়াওদ্রবদি মী ক্রোরসু শুসনু পাম্বৈ অমত্তা লৈরোই। য়েক্লবা মরুপ অনীগী খেন্নবসি খঙবীয়ু। ইচাশা নকোক ফাওবা চিক্তনা অপূনবগী য়াইফ থৌজাও ফংলবদা মায় পাকপগী লম্বী নক্লবনিকো অপূনবনা পাঙ্গলনি থৌনা ফবনা মায় পাকপনি কাউফদে।

অদোমগী - সনারৈ য়ুমখাইবম,
খুরাই খোমিদোক ইপুম মপাল, # ৯৬১৫৩৯৩১০২